# এম পি এস সীনা দব্লিয়ু এফ এবু পাঞ্জল ৫-১দা থোইখ্রে, আই সী এস এসু মায় পাকপা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ২৩ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১১শুবা অন্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ফোর বি এম সিংহ ট্রোফি ২০২১ (প্রি ক্বালিফায়িং রাউন্দ ফোর আই দব্লিয়ু এল)গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এম পি এস সীনা দব্লিয়ু এফ এবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা আই সী এস এনা এ এম এম এ এফ সীবু থোইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অমসুং দব্লিয়ু এফ এ ককচীং লম্বা তৌনবদা মেটচ অদুগী হৌরকপদগী হৌনা এম পি এস সীগী শান্নরোয়শিং অদুনা বোল হেন্না পায়দুনা খূদুম চনবা ঙমখি। অহানবা হাফতা টিম অদুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা মেটচ অদুদা হেটট্রিক ফংবা ঙমখিবী এম পি এস সীগী জর্সি নম্বর ১১ এল সনাথোইনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

অহানবা হাফ অদুগী ১৬শুবা মিনটতা মখা তানা এটেক চথবা ঙমখিবা এম পি এস সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২ দব্লিয়ু কনচননা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। দব্লিয়ু এফ এ ককচীংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ এল সনাথোইনা শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা এম পি এস সীগী ওইবা ৩শুবা অমদি মশাগী ওইনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল ৩-০দা অহানবা হাফ অদু মাঙজিল থাবা ঙম্লবা এম পি এস সীগী শান্নরোয়শিংগী মখা তাবা এটেক অমদা অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা দব্লিয়ু কনচননা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু মেটচকী ৪২শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। দব্লিয়ু এফ এ ককচীংগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ১১ এম অম্বিকানা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। অদুবু মখা তাবা টিম অদুগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমদ্রিঙৈ এম পি এস সীগী এল সনাথোইনা মহাক্কী হেটট্রিক ওইবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা চল্লগা মেটচ অদু ৫-১দা মখোয়না থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা আই সী এস এ ইরেংবমনা এ এম এম এ এফ সী অন্দ্রোবু ১-০দা থোইখি। মেটচ অদুগী পাঞ্জল অদু আই সী এস এগী এল বিজেয়ানা শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# ষ্টেট লেভেল হোক্কীদা নুপাগী জুনিয়র ফাইনেলদা ৱাই সী সী আই সী অমসুং এস ৱাই য়ু সী লম্বা তৌনরগনি



ইম্ফাল, মার্চ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর হোক্কীনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী হোক্কী ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৮দগী হৌখিবা ৮শুবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র মেন এন্দ ৱিমেন হোক্কী চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী নুপাগী ফাইনেলদা ৱাই সী সী আই সী কোম্থা অহল্লুপ অমসুং এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন খুনৌ লম্বা তৌনরগনি। অদুগা নুপীগী ফাইনেলদনা আইদিএল ক্লব তেরা বজার অমসুং এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা জুনিয়র মেন্সকী ১১শুবা মেটচতা ৱাই সী সী আই সীনা এম এল ঐচ য়ুবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ১৭-০দা মায়থীবা পীদুনা নুপাগী জুনিয়র কাঙলুপ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন অমদি কে ঐচ এস সী খোংমন লম্বা তৌনবদা এস ৱাই য়ু সীনা পাঞ্জল ২-১দা থোইরগা টিম অদু ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ৱাই সী সী আই সী অমসুং এম এল ঐচ য়ু লংথবালগী মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা ৱাই সী সী আই সীগী শান্নরোয়শিংনা হীরম খূদিংমক্তা খূদুম চনবা ঙমদুনা শান্নবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা ৱাই সী সী আই সীগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা মখা তানা এম এল ঐচ য়ুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদ্রিঙৈ ৱাই সী সী আই সীগী মখা তাবা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা ৱাই সী সী আই সীনা পাঞ্জল ৬-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফ হৌরকপা অহুমশুবা ক্বার্টরদা ৱাই সী সী আই সীগী মায়কৈদগী য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৭ হাপচিনবা ঙমখি। টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ২ টি ঐচ কিংসননা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। অদুগা জর্সি নম্বর ৪ এস ঐচ বিদ্যাচরননা পাঞ্জল ৩ চনখি। পাঞ্জল ১৩-০দা মাঙজিল থাবা ঙম্লবা ৱাই সী সী আই সীগী মায়কৈদগী মখা তারকপা মেটচ অদুগী অরোইবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টরদা অহেনবা পাঞ্জল ৪ অমসু হাপচিনবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী মনিকান্তা, নিতল, নেলসন অমসুং রোহিটনা পাঞ্জল ২/২ চনবা ঙমখি। অদুগা ন্যুটননা মেটচকী ইহান হানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিবনি।

নুপাগী অতোপ্পা মেটচ অমদা এস ৱাই য়ু সী অমসুং কে ঐচ এস সী লম্বা তৌনবদা এস ৱাই য়ু সীনা ২-১দা থোইখি। এস ৱাই য়ু সীগী মায়কৈদগী ধনঞ্জয় অমসুং দিঙ্কুনা পাঞ্জল অমমম্ চল্লগা কে ঐচ এস সীগী মায়কৈদগী রাকেশনা পাঞ্জল অমা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেটচতা ৱাই সী সী আই সীনা য়ু ৱাই সী কংলাতোংবীবু পাঞ্জল ৮-০দা মায়থীবা পীবা ঙম্লবসু মমাংগী মেটচশিংদা আইদিএল ক্লব তেরা বজারনা মেটচ ৩ শান্নবদা ২ মায় পাল্লগা ১ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৭ ফংদুনা মকোক ওইখিবা অমদি এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোননা মেটচ ১ মায় পাল্লগা অনী দ্রো চৎতুনা মকোক মথং তাবদগী ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি।

# ককচীং য়ুঠ, লমজাও এফ সী (বি), খন্নাংবা এফ সী, য়াইসা এফ সী অমসুং হাওপা এফ সী মায় পাকপা ঙমখ্রে



ককচীং, মার্চ২৩ (ঐচ এন এস): য়াইসা ককচীংনা শীন্দুনা য়াইসা স্পোর্টস এরেনা ককচীংদা টিম ২৬না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৮ থোক্লা লম্বা তৌনরিবা অহানবা ককচীং কপ ২০২১ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ককচীং য়ুঠ, লমজাও এফ সী (বি), খন্নাংবা এফ সী, য়াইসা এফ সী অমসুং হাওপা এফ সীনা মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিং মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অহানবা মেটচতা ককচীং য়ুঠ অমসুং সুমাক লৈকাই এফ সীগা লম্বা তৌনবদা ককচীং য়ুঠনা পাঞ্জল ২-১দা থোইখি। মেটচ অদুদা ককচীং য়ুঠকী মায়কৈদগী মহেশ অমসুং রোহিটনা পাঞ্জল ২ চনখি। অদুগা সুমাক লৈকাই এফ সীগী মায়কৈদগীনা জয়েন্তনা পাঞ্জল ১ চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচতা লমজিংবা এফ সী অমসুং য়ু আই পি আই (খোইবু) এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখি। লমজিংবা এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি দয়ানন্দ অমসুং সবানি। য়ু আই পি আইগী মায়কৈদগীনা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু কামসুলনা চনখিবনি।

অহানবা ককচীং কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা মেটচতা খন্নাংবা এফ সী অমসুং সেভেন ষ্টার ককচীং লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুদা খন্নাংবা এফ সীনা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাকপা ঙমখি। খন্নাংবা এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি কান্তনা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। লোয়নননা রোজা অমসুং জুপিটরনা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। অমরোমদা, ককচীংগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা জিমনা চনবা ঙমখিবনি।

ঙসিগী মরিশুবা মেটচতা য়াইসা এফ সীনা এ পি দি সী ককচীংবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ১৩-০দা থোইবা ঙমখি। য়াইসা এফ সীগী মায়কৈদগী রাজুনা অহানবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লবা মতুং টিম অদুগী মায়কৈদগী রোবিন্সননা পূন্না পাঞ্জল ৯ চন্দুনা মেটচ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় ওইখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী মার্জিৎ, বিদ্যানন্দ অমসুং জিদাননা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মঙাশুবা মেটচতা হাওপা এফ সীনা সুর এফ সীবু পাঞ্জল ৪-৩দা থোইবা ঙমখি। হাওপা এফ সীগী মায়কৈদগী লোকেননা ২শুবা, ৬শুবা অমদি ১৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩ চনখি। অদুগা টিম অদুমক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় সুরজনা ৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। মেটচ অদুদা সুর এফ সীগী মায়কৈদগী ৫শুবা মিনটতা নরেশনা পাঞ্জল ১, ইথোইবনা ৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ অদুগা বেবিটোনা ১৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেটচ অদু হাওপা এফ সীনা সুর এফ সীবু ৪-৩দা থোইখিবনি।

# টি আর ৱাই ভি সী উখ্রুলনা এস দি ও এ এম (এ) সেনাপটিবু ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা নুপীগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ২৩ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরকপা মিনি, সব-জুনিয়র, জুনিয়র (য়ুঠ) অমসুং সিনিয়র মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ভোলিবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অমদা নুপীগী জুনিয়র য়ুঠ অমসুং সিনিয়রগী অপূনবা কেটেগোরিদা টি আর ৱাই ভি সী উখ্রুলনা এস দি ও এ এম (এ) সেনাপটিপু অকনবা লম্বা অমদা সেট ৩-২দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু এস দি ও এ এম (এ) সেনাপটিনা পোইন্ট ২৫-১৫দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা টি আর ৱাই ভি সী উখ্রুলনা পোইন্ট ২৫-১২দা থোইরগা সেট অমমম্ মান্নদুনা লৈখি। অহুমশুবা সেটতা এস দি ও এ এম (এম) সেনাপটিনা ২৫-১৫দা থোইরগা সেট ২-১দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু টি আর ৱাই ভি সী উখ্রুলগী মায়কৈদগী মরিশুবা সেটতা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা পীরক্তুনা পোইন্ট ২৮-২৬তা থোইরগা সেট ২-২ মান্নদুনা দিসাইদিং সেট শান্নবদা উখ্রুলগী টিম অদুনা ১৫-১২দা থোইদুনা কাঙলূপ অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

জুনিয়র বোইজগী কাঙলূপ্তা ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা টি আর ৱাই ভি সী উখ্রুলনা আই জি ও ওইনামবু ষ্ট্রেট সেট ৩দা থোইরগা টাইটল লৌবা ঙমখি। অহানবা সেট অদু টি আর ৱাই ভি সী উখ্রুলনা আই জি ও ওইনামবু পোইন্ট ২৫-১৮দা থোইখি। মদুগী মখা তারকপা অনীশুবা সেট অদুদসু আই জি ও ওইনামগী মায়কৈদগী ফনা কন্না ফুগৎনবা হোৎনখিবা অদু টি আর ৱাই ভি সীনা ২৫-২২দা থোইদুনা সেট ২-০দা মাঙজিল থাখি। লোয়নননা অহুমশুবা সেট অদুসু অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং উখ্রুলগী টি আর ৱাই ভি সীনা ২৫-২২দা থোইরগা জুনিয়র বোইজকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

সব-জুনিয়র গর্লসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা আর সী (এ) তুইবোং চুড়াচান্দপুর অমসুং আর সী (বি) তুইবোংগা লম্বা তৌনবদা সেট ৩-২দা আর সী (এ)না থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট আর সী (বি)না পোইন্ট ২৮-২৬তা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুনা আর সী (এ)গী টিমনা ২৫-২৩দা থোইদুনা সেট অমমম্ মান্নখি। অহুমশুবা সেট অদু আর সী (এ)না ২৫-১৯দা থোইরবা মতুং মরিশুবা সেট অদু আর সী (বি)না ২৫-১৮দা থোইদুনা সেট ২-২ মান্নদুনা লৈখি। মঙাশুবা দিসাইদিং সেট অদুদা আর সী (এ)না ১৫-৩দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি।

য়ুঠ অমসুং সিনিয়র মেন্সকীদা টি আর ৱাই ভি সী উখ্রুলনা এন ৱাই ভি এ নাওরেমবু সেট ৩-১ (২৫-২১, ২২-২৫, ২৮-২৬, ২৫-২২)দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা সব-জুনিয়র বোইজকীদা এন ৱাই ভি এ নাওরেমনা টি আর ৱাই ভি সী উখ্রুলবু সেট ৩-০ (২৫-১৫, ২৫-১৬, ২৫-১৯)দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

# লোক্তাক এফ সী অমসুং ক্লাসানা মখোয়-মখোয়গী মেটচ থোইখ্রে

বিষ্ণুপুর, মার্চ ২৩(ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা ৬শুবা এ ইবোতোন মেমোরিয়ল য়ু-১৫ দিভিজন ফুটবোল লীগতা লোক্তাক এফ সীনা আর এ এফ এবু ৫-০দা থোইখ্রে। অদুগা এসোসিএসন অসিনা ষ্টেদিয়ম অসিমক্তদা শিল্লিবা অহানবা (লেট) থোকচোম ইবোপিশক (নিংথৌরেন) ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৩৬শুবা মেটচতা ক্লাসানা বি এফ এবু পাঞ্জল ৫-১দা থোইখ্রে।

ইবোতোন মেমোরিয়লগী মেটচ অদুদা লোক্তাক এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৪ দাংপুইলেননা শান্নবগী ৬শুবা অমসুং ৩৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনখি। টিম অদুমক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ মাংটে ষ্টেবেননা ৪২শুবা মিনটতা লোয়নননা খমগাইলুং অমসুং জে রিমিনা পাঞ্জল ২ চনখি।

থোকচোম ইবোপিশককীদা ক্লাসাগী মায়কৈদগী সলমাননা পাঞ্জল ১, সেখোনা পাঞ্জল ২, জাসর অমসুং বিকামানা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। অদুগা বি এফ এগী মায়কৈদগীনা অজামন অলিনা পাঞ্জল ১ চনখি।

# এস ৱাই সী সগাংনা সিটি এফ সী ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে

মোইরাং, মার্চ২৩ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা এল কেরানি মেমোরিয়ল সিনিয়র এ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৯শুবা মেটচতা এস ৱাই সী সগাংনা সিটি এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী য়াম্না ঙন্না শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা এস ওবিধিয়ানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অদুবু ১২শুবা মিনটতা এস ৱাই সীগী রেংচুঙৈনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। মেটচকী ৬৫শুবা মিনটতা এস ৱাই সীগী ভর্নিরেংনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চনখি।

# য়াইসা ফুটবোল ফেষ্টিভেল

ককচীং, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস): য়াইসা স্পোর্টস এরেনা ককচীংনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা চহী ১৩ মখাগী নুপামচাগী অহানবা য়াইসা ফুটবোল ফেষ্টিভেল ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে এস দব্লিয়ু সী ককচীং, য়ং এফ সী অমসুং এন এ ও এফ আই টি থৌবাল মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ফেষ্টিভেল অসিগী ঙসি শান্নখিবা ১১শুবা মেটচতা কে এস দব্লিয়ু সী ককচীংনা অমুজাও এফ সীবু পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীখি। লোয়নননা ১২শুবা মেটচতা য়ং এফ সীনা ঈ টি ঐচ এল এফ এ ৱাইখোংবু পাঞ্জল ৫-১দা থোইবা ঙমখি। অদুগা ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা মেটচতা এন এ ও এফ আই টি থৌবালনা সেংমাই নিংথৌ এফ সীবু পাঞ্জল ৮-০দা মায়থীবা পীখি।

HL-P/6855/14-30 days alt

# কায়াকিং এন্দ কেনোয়িংগী মনা ফংলবা শান্নরোয়শিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস): ৩১শুবা নেসনল কায়াকিং এন্দ কেনোয়িং স্প্রিন্ট মেন এন্দ ৱিমেন, সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস চেম্পিয়নশিপ ২০২১ ভোপালগী লাৱর লেকতা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২০দগীনা ২২ ফাওবা চথরকখিবা কম্পিটিসন অদুদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় মঙানা মেদল লৌরকখিবশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ক্যামগৈদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ষ্টেন্দর্দ রোবর্থ হায়র সেকেন্দরিগী ফাউন্দর কে ঐচ লন্ধোনি, লৈশাং হিদেন কায়াকিং এন্দ কেনোয়িং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এন কিষন অমদি কে ৱাই পি সী ক্যামগৈ অমদি কলচর এক্টিভিষ্টি এ শান্তানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। তরাম্না ওকখ্রবা শান্নরোয়শিং অমদি মেদল ফংলকখিবা মীওইশিং অদুদি অভিনাশ সিংগাম, সামাদ্রাম লৈশেম্বা, নিকেশ থোকচোম, নিংঙোম্বম মঞ্জিৎ অমসুং অশেম খাবানি হায়রি।

LOAN AVAILABLE
>HOLI OFFER
HELMET, INSURANCE JPA, EXTRA ACCESSORIES
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
CONTACT No.:- 8731978490/9774495994
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.

S³ Coaching Centre
STEPS TO SURE SUCCESS
EDUCATION WITH CARE
Nagamapal RIMS Road Corner Near Traffic Island
ADMISSION IS GOING ON FOR
DON'T MISS
LAST MINUTE REVISION
Class X & XII - 50% Discount
SUBJECT
XII - Math, Chemistry, Physics & Biology (one subject Free)
SUBJECT
X - Math, Science, Meitei Mayek & Social Science (one subject FREE)
Day Boarding for NAVODAYA & SAINIK Entrance Coaching
NEET - 2021
REVISION FOR CHEMISTRY STARTING FROM 3RD MARCH
FOUNDATION COURSE
for class XII starting from March and IX, X - from 15th, 20th & 23rd Feb., 2021
50% DISCOUNT ON FIRST TWENTY STUDENTS
Class - Timing
Morning 6am - 9am | Evening 3pm - 7pm
HOME TUTORS AVAILABLE FOR CLASS VI To XII
Special Features:
* Regular test on every chapter
* Thorough analysis on previous year questions
* Perfect expected question suggestions
* Faculties are Perfect & Expert
* Van Service
* Individual attention
* Extra Class for Weak Students
Please Contact #9362333159 BETWEEN 7AM TO 6PM
HL-B/6801/20/2-21/3

MSPDCL
MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED
Regd. Office: 3rd Floor, New Directorate Building near 2nd M.R. Gate, Imphal-Dimapur Road, Imphal, Manipur – 795001
CIN:U40101MN2013SGC008343
/ NOTIFICATION
Imphal, the 22nd March, 2021

No.14/82/2019-MSPDCL (HR)/Pt-I /4771A1-7: In continuation of this Office Notification of even no. dated 27th December, 2019 regarding direct recruitment of 23 (twenty-three) no of Assistant Manager (Electrical) in Manipur State Power Distribution Company Limited (MSPDCL), it is hereby notified for information to all concerned that the Scheme of Examination and Syllabus may be downloaded from the official website of Government of Manipur at www.manipur.gov.in and the company website at www.mspdcl.com.

Further, the list(s) of candidates **eligible and not eligible** for appearing in the Written Exam is uploaded in websites www.manipur.gov.in and www.mspdcl.com. Any claims/Objection in the list(s) may be submitted to the undersigned in writing on or before 4:00 pm of 6th April 2021. Written Claims/Objections received after this will not be accepted.

Sd/- Ng. Subhachandra Singh
Managing Director, MSPDCL
HL-B/6876/24

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com